# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা অন্দর–১৭ ব্রার্ল্ড কপ মতম চান্না পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

মালেমগী মফম কয়াদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা গ্লোবেল স্পোর্টিং ইভেন্ট কয়া লেপ্তুনা পেন্দেমিক অসিনা শোকহন্দুনা ইভেন্টশিং য়েথোক্লবসু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বরদা পাঙথোক্কদবা ফিফা অন্দর–১৭ ব্রুমেন'স ব্রার্ল্ড কপ মতম চান্না পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি।

মালেমগী ওইনা অচৌবা এজ গ্রুপকী অচৌবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা অসিগীদমক শীনল্লি লাঙলিবশিংনা থা ৭ কী য়ু–১৭ ব্রুমেন'স ব্রার্ল্ড কপ অসিগীদমক শেম শাবগী মতম ফঙলি। এজেন্সি অসিদা এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা হায়, টুর্নামেন্ট অসিগী লাইবক লেপ্পা পূম্নমক মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাদা লৈরি। অদুবু গভর্ণিং বোদি অসিনসু ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা কূপ্না য়েঙশিন্দুনা মরী লৈন্নবশিংগা তোয়না পাউ ফাওন্নবা লেপ্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী মতম নকশিনলক্লবসু ঐখোয়না পূম্নমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংবা তারি হায়খি।

ব্রুমেন'স য়ু–১৭ ব্রার্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্কদবা থা ৭ খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিনা কোভিদ–১৯ গী অকিবা লৈবদগী ফিফানা টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকদবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিং মতম কক্তুনা অথিংবা থমদুনা লাক্লি।

ব্রুমেন'স য়ু–১৭ ব্রার্ল্ড কপ অসি ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী নবেম্বর ২ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্লবগী সেদ্যুল লৈখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগীদমক মেটচ শান্নফম ওইরিবা লৈবাক অসিগী সিটি ৫ অহমেদবাদ, ভুবনেশ্বর, গুব্রাহাটি, কোলকটা অমসুং নাভী মুম্বাইদা ফিফাগী দেলিগেসন টিম অমসুং ওর্গনাইজরশিং চৎতুনা কূপ্না য়েংশিনবা লোয়দুনা শান্নবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

টিম ১৬ না লম্বা তৌনগদৌরিবা ব্রুমেন'স য়ু–১৭ ব্রার্ল্ড কপ অসিদা জপান অমসুং নোর্থ কোরিয়াদি ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রবনি। টিম অনীমক ২০১৯ এ এফ সি য়ু–১৬ ব্রুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক ক্বালিফাইদ ওইরকখ্রবনি। ইনি দয়ানা য়ুম্বু ওইবদগী অহুমশুবা টিম ওইনা ব্রুমেন'স য়ু–১৭ ব্রার্ল্ড কপকী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা য়েথোকখ্রবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা কোনকাকেফ ব্রুমেন'স য়ু–১৭ চেম্পিয়ন্সিপ (এপ্রিল ১৮ দগী মে ৩ ফাওবা মেক্সিকোগী সিটি টোলুকাদা পাঙথোক্কদবা), সাউথ অমেরিকান য়ু–১৭ চেম্পিয়ন্সিপ (এপ্রিল ১৫ দগী মেন ৩ ফাওবা ভেনেজ্বেলাদা পাঙথোক্কদবা) অমসুং ওসিনিয়া য়ু–১৭ চেম্পিয়ন্সিপ (এপ্রিল ৬ তগী ১৯ ফাওবা) পাঙথোক্কদবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং অসি কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা য়েথোক্তুনা লাক্লিবনি।

অমদি য়ুরোপিয়ান বোদিনা য়ু–১৭ ব্রুমেন'স য়ুরো চেম্পিয়ন্সিপসু কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা য়েথোকখ্রবনি। অফ্রিকান রিজনগী ওইনা কাফসু য়েথোকখ্রবনি।

ফিফানা হিরম অসিগী মতাং দা হৌখিবা থাংজা নুমিৎতা ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ–১৯গী ফীভম অসি লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি এ আই এফ এফকা পুন্না চৎমিন্নদুনা য়েংশিনবা লেপ্ত্রি। অমদি পব্লিক হেল্‌ঠ অমসুং শান্নরোইশিংদা অশোয়–অঙাম থোক্তনবগী পান্দমদা লোকেল ওর্গনাইজরশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম অদু লৈব্রা হায়না য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

# ঙাঙোম বালা দেবী এ এফ সি এব্রার্নেস কেম্পেন এগেন্স কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকতা শরুক য়াখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী হান্নগী ফুটবোল্লর ভাইচুং ভুটিয়া অমদি কেপ্তেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা এ এফ সি এব্রার্নেস কেপ্তেন এগেন্স কোভিদস–১৯ পেন্দেমিকতা য়াওখ্রবা মতুং ইন্দিয়ান ব্রুমেন'স ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ঙাঙোম বালা দেবীসু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কেম্পেন অসিদা শরুক য়াদুনা মীয়ামবু য়ূমদগী মপান থোক্তনবা অমদি সোসিয়েল দিসটেন্সিং প্রাটিক্স তৌদুনা তমথিরবা কোরোনাভাইরসবু মায়থিবা পীন্নবা অপীল তৌখ্রে।

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসন (এ এফ সি)না কোভিদ–১৯বু লান্থেংন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা এব্রার্নেস পীদুনা ব্রেক দি চেঞ্জ হায়বা কেম্পেনদা পায়খৎপা ভিডিও অসিদা বালা দেবীনা এসিয়া কন্টিন্টে অসিগী খ্বাইদগী নৌনা কেম্পেন অসিদা শরুক য়াবা শান্নরোই ওইরি।

হিরম অসিগী মতাংদা এ এফ সিগী খূৎথাংদা থাদোরকপা চেরোল অমদা বালা দেবীনা হায়, ব্রার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা খূৎ শা চাঙ নায়না হাম্বা অমদি মীয়ামগা তোয়না নকশিন্নদনা লৈবগী কান্নবা ফোঙদোকখিবা লৈরে। ঐখোয়না তমথিরবা লাইচৎ অসিবু মায়থিবা পীন্নবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা চঙশিন্দুনা পুন্না লেপমিন্নবা মথৌ তায়।

মহাক্না মখা তানা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা মালেমদা অকনবা শাফু অমা পীরি। মসিবু থিংগে হায়রবদি ইশা–ইশাদগী হৌদুনা ঐখোয়না গভর্ণমেন্টনা পীবা চৎনা কাঙলোনশিং অমদি পাউতাকশিং নিংথিনা ইনবা মথৌ তায়।

কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামনা য়ূম–য়ূমদা লৈদুনা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলবদি ঐখোয় মশেল অমুক হন্না পূশিনলকপগী খুদোংচাবা অমা ফঙগদৌরিবনি হায়না বালা দেবীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বালা দেবী ইন্দিয়ান ব্রুমেন ফুটবোল্লরদা য়ুরোপকী তোপ দিভিজন লীগকী স্কোটিস ব্রুমেন'স প্রেমিয়র লীগকী টিম রেঞ্জর ব্রুমেন'স ফুটবোল ক্লবকী চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা খূৎয়েক পীদুনা য়ুরোপতা শান্নবা অহানবা ইন্দিয়া নুপী ফুটবোল্লর ওইখি।

চায়োল অমগী মমাঙদা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসননা ব্রেক দি চেঞ্জ কেম্পেন হৌদোকখ্রবা মতুং মালেমগী মফম কয়াদগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকপু লান্থেংনবগী এব্রার্নেস কেম্পেন অসি মায় পাক্কা চঙশিনলি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা লাক্ষ ৩০ মতেং পাঙগদৌরি

কোলকটা, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা কোলকাটাগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলনা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কীদমক লুপা লাক্ষ ৩০ মতেং পাঙন্নবা ব্রারেপ লৌখ্রে। এজেন্সি অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী নিটু সকারনা হায়, ক্লব অসিনা লাক্ষ ৩০ মতেং পাঙন্নবা ব্রারেপ লৌরে অমদি হেন্না হাপচিনবা ঙম্নবা হোৎন্দুনা ষ্টেট অসিগী চীফখ মিনিষ্টরদা নুমিৎ খরনি অসিদা খূৎশিন্নবগী পান্দম থল্লি।

মহাক্না মখা তানা ক্লব অসিনা মাইগ্রেন্ট অমদি গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংগীদমক ক্লবকী টেন্টতা মখোয়গী চান্না থক্লবা শীনলাঙলি। পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইদুনা ক্লব অসি থোং লোলবসু মখোয়গীদমক্তী ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা হোৎন্দুনা মতেং পাঙগনি হায়খি।

# সক্কাস প্লেয়র অজাম খান লৈখিদ্রে

করাচি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

পাকিস্তানগী সক্কাস প্লেয়র অজাম খান কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা লন্দনদা লৈবা লন্দন ইলিং হোস্পিটালদা লায়কৎন্নরম্লবা মতুং লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৯৫ শুরবা শান্নরোই অসি মমাঙগী চায়োলদা পোজিটিভ ওইদুনা হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবনি। অজামনা পাকিস্তানগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নরিঙৈ মতমদা বৃটিস ওপন টাইতল কয়া লৌখি। অমদি হার্দ বোল টুর্নামেন্ট অমসুং ইং ১৯৬২ দা অহানবা ওইনা সক্কাসকী য়ু এস ওপন লৌবা ঙমখি। মহাক পাকিস্তানগীদমক ১৯৫৯ দগী ১৯৬১ ফাওবা শান্নরমখি।

# দোর্টমুন্দগী কেন চেম্পিয়ন্সিপ লীগকী মেটচ ২ অথিংবা থমখ্রে



পেরিস মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মিডফিল্ডর ইমরে কেন চেম্পিয়ন্সিপ লীগকী মেটচ ২ শান্নবদা য়ু ই এফ এনা অথিংবা থমখ্রে।

জর্ম্মন মিডফিল্ডর ইমরে কেনদা থমখিবা অথিংবা অসি হৌখিবা মার্চ ১১ দা চেম্পিয়ন লীগকী লাষ্ট ১৬গী পি এস জিগা শান্নখিবা অনীশুবা লেগদা ফ্রান্সকী ক্লব অসিগী মখূৎতা ২–০ দা মায়থিবা নঙখিবা মেটচ অদুদা ব্রাজিনলিয়া নেমরবু ইনলুবগীদমক য়ু বি এফ এনা মহাক্কী মথক্তা অথিংবা অসি থমখিবনি।

পি এস জিনা মেটচ অদু এগ্রিগেদতা ৩–২ দা মায় পাক্তুনা লাষ্ট ৮ চঙবা ঙমখি। অদুবু য়ু ই এফ এনা চেম্পিয়ন্সিপ লীগ অমদি য়ুরোপিয়ান লীগ অনীমক কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্কা মরম ওইদুনা য়েথোকখ্রবনি।

ইমরে কেননা য়ুঠ কেরিয়রগী মতমদা বার্য়ন মুনিকতা শান্নরিঙৈদা সেন্টর বেক ওইনা শান্নখি। ইং ২০১৩ দা বায়র লেবরপুসনগীদমক চহী ৪ গী খূৎয়েক পীনখি। ক্লব অসিগীদমক মহাক চহী অদুগী ৩১ ওগষ্টতা এফ সি সোল্টকেগা শান্নখিবা অদুদা স্তিফানগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নবা ফঙখি।

মহাক্কী অহানবা চেম্পিয়ন লীগ ওল ট্রাফদদা মেঞ্চষ্টর য়ুনাইটেদকা শান্নবা ফঙখি। সিজন অমা দিভরকোসনদা শান্নরম্লবা মতুং ইংলেন্দগী লিভরপুর ফুটবোল ক্লবকীদমক ২০১৪গী জুন ৫ দা ক্লব অসিগীদমক খূৎয়েক পীনখি।

ইংলেন্দগী ক্লব অসিগীদমক মহাক চহী ৪ মপুং ফানা মিডফিল্ডদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরকখি। লিভরপুলগীদমক মহাক মেটচ ১১৫ শান্নখি। মসিগী মতুং ইটালিগী জুবেন্তসতা অমুক সিজন অমা শান্নখি। অদুগা মহাক্কী অপোকপা জর্ম্মনদা হলক্তুনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দকীদমক লোনদা সিজন অসিগী লোয়বা ফাওবা শান্নবা খূৎয়েক পীখি।

# সাই অমদি এন এস এফনা কোভিদ–১৯গী মতেং পাঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসপু লান্থেংনবগীদমক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)গী ইমপ্লোয়শিংনা লাক্ষ ৭৬ অমদি নেস্নেল স্পোর্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)না লাক্ষ ২৯.৫ প্রাইম মিনিষ্টর সিটিজেন এষ্টিটেন্ট এন্দ রিলিফ ইন ইমার্জেন্সি সেচুয়েসন ফন্দ (পি এম–সি এ আর ই এস ফন্দ)দা মতেং পাঙখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা কোভিদ–১৯গীদমক মতেং পাঙলকপা অসিদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরন রিজিজুনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়, সাইগী ইমপ্লোয়শিংনা কোরোনাভাইরসপু লান্থেংন্নবগীদমক চঙশিনলক্তুনা গ্রুপ–এগী নুমিৎ হুমনিগী তলব, গ্রুপ–বিগীনা নুমিৎ নীনি অতোপ্পা ইমপ্লোয়শিংগীনা নোংমগী তলব পি এম– সি এ আর ই এস ফন্দদা তেংবাঙলকপা অসি অপূনবা শেনফম ৭৬ লাক্ষনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্না পেন্দেমিক অসিবু লান্থেংন্নবা ঐখোর্য় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নশি হায়খি।

ঐখোয় পূম্নমক্না লৈবাক অসিবু তেক্তা কায়দনা লৈন্নবগীদমক ফন্দশিং শাগৎতুনা কন্টিব্যুদ তৌশি। অমদি ঐখোয়না লৈবাক অসিগীদমক কোভিদ–১৯ লান্থেংন্নবদা থৌদাং লৌমিন্নশি হায়না সাইনা টুইটরগী খূৎথাংদা ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টরনা অঙনবা শরুক্তা পেন্দেমিক অসিগীদমক ক্রোর অমা তেংবাঙখ্রে। অমসুং লৈবাক অসিগী স্পোর্টস পার্সনশিংনসু লৈবাক অসিদা পেন্দেমিকপু লান্থেংন্নবা অমত্তা ওইনা চঙশিনলক্তুনা তেংবাঙবা লেপ্ত্রি লোয়ননা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জব্রাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মবু দিল্লি গভর্ণমেন্টদা কোরেন্টাইন ওইন্নবগীদক খূৎশিন্নখ্রবনি।

অমরোমদা নেস্নেল স্পোর্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)না কোভিদ–১৯ পেন্দেমিককীদমক লাক্ষ ২৯.৫ গী মতেং পি এম– সি এ আর ই এস ফন্দদা তেংবাঙখ্রে। এন এস এফনা তেংবাঙবা অসিদা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ)গী প্রসিদেন্ট নরেন্দ্র ভর্ত্রনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়, এন এস এফবু লুরবা তাঞ্জা অসিদা মীয়ামগীদমক লেপিবগী থাগৎপা ফোঙদোকই। অমদি ঐখোয়না অতোপ্পা এন এস এফগী মখাদা লৈবশিং অমদি ষ্টেট ওলেম্পিক এসোসিয়েসনশিংনসু পেন্দেমিক অসিগীদমক পি এম– সি এ আর ই ফন্দদা অঙম্বা মতেং পাঙন্নবা হায়জগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মশান্নগী গভর্ণিং বোদিশিং, মশান্ন কয়াগী স্পোর্টস পার্সনশিং অমদি ষ্টেট এসোসিয়েসনশিংনা পি এম– সি এ আর ই এস ফন্দদা লেপ্তুনা তেংবাঙ পীন্নরি। হৌজিক ফাওবমদা লৈবাক অসিদা কোরানাভাইরস পোজিটিভ ওইবা মীওই লিশিং ১২০০ হেনখ্রে অদুগা মীওই ৩০ হেনবনা পূন্সি মাঙখ্রে।

# ব্রার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২২ ফাওবা য়েথোকখ্রে



পেরিস, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

২০২১গী ওগষ্ট ৬ তগী ১৫ ফাওবা ওরিগোনগী য়ুজিনিদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ব্রার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ অদু টোকিও ওলেম্পিককী নৌনা মতম লেপখিবা অদু মপুং ফানা পাঙথোকবা ঙম্নবগীদমক ২০২২ ফাওবা য়েথোক্লে হায়না ব্রার্ল্ড এঠলেটিকনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাওথোকখ্রে।

ব্রারেপ অসি ২০২০গী ওলেম্পিক গেমসকী শীনলি লাঙলিবশিংনা কোরোনাভাইরনা মরম ওইদুনা য়েথোক্লগা ইং ২০২১গী জুলাই ২৩ দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা মতম লেপলকপদা ব্রার্ল্ড এঠলেটিকনা ব্রারেপ অসি লৌখিবনি।

ব্রার্ল্ড এঠলেটিক্না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ঐখোয়না আই ও সি অমদি জপানিস ওর্গনাইজরশিংনা টোকিও ওলেম্পিক্কী অনৌবা মতম অসিবু সপোর্ট তৌই। মসিনা ঐখোয়গী এঠলেটিশিংনা কম্পিটিসনগীদমক ট্রেন্নিং তৌবগী মতম হেন্না পীবা ঙমগনি।

লোয়ননা ওরিগোনদা পাঙথোবা ব্রার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপকী শীনলি লাঙলিবশিংগা ২০২২ দা পাঙথোক্লবা লেপখিবা অসিগী চপ চাবা মতম অথুবা মতমদা লেপ্নবা হোৎনগনি হায়খি।

# ভাইচুংনা মাইগ্রেন্ট ব্রাকরগী লৈফম পীগদৌরি



কোলকটা, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল আইকোন ভাইচুং ভুটিয়ানা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিক্কিমদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ ২১গী নেস্নেলব্রাইদ লোকদাউন লাওথোকখিবনা মফম অদুদা অব্রা অনা তারবা মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিংগীদমক লৈফম পীন্নবগী ওফর তৌখ্রে।

সিক্কিমদা লোকদাউন অসিনা অন–ওথোরাইজ সেক্টরগী মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিং ময়ূমদা হনবা য়াদবদগী ষ্টেট অদুদা লোকদাউননা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী অব্রাবা নঙবা কম্মুনিটি ওইরি।

ভাইচুং ভুটিয়ানা এজেন্সি অসিদা হায়, লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা হেন্না অব্রাবা মায়য়োক্লরিবা অসি মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিংনি। লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা সিক্কিম বোর্ডরদা মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিংনা ময়ূম ময়ূমদা হন্নবা হোৎনবদা অব্রাবা অমা ওইখি।

ঐহাক্কী ওইনা গেঙটোক্তা নৌনা শাবা লোয়রবা বিল্ডিং অমা লৈ। মফম অদুদা মীওই ১০০ রোমদি থম্বা য়াগনি।

মহাক্না মখা তানা ঐনা ময়ূম লৈত্রবা মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিংবু মফম অদুদা লৈন্নবগী ওফর তৌরি। খোঙথাং অসি মায় পাক্লবগীদমক ঐনা লোকেল ওথোরিটিশিংগা ব্রারী শান্নবা লেপ্ত্রি। অমদি লোকেল এডমিষ্ট্রিসনশিংদসু মফম অদুদা মেদিকেল সার্ভিসকী খুদোং চাবা ফঙনবা ব্রা তান্নরী।

সিক্কিমদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা লৈত্রি মরম অদুনা মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিংনা মফম অদুদা লৈবদা খুদোংথিঙাই ওইদে। মসিবু মায় পাক্লবগীদমক ঐখোয়না গভর্ণমেন্টদা হায়জগনি।

মাইগ্রেন্ট ব্রাকরশিং অসি হায়রিবা মফম অসিদা লৈরবদি কোরোনাভাইরসতগী লোকদাউন মনুংদা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়খিবগা লোয়ননা হান্নগী ইন্দিয়ান ফুটবোল্লর অসিগী ফেজবুককী ওফিসিয়েল পেজদা হিরম অসিগীদমক মহাক্না য়ুনাইটেদ সিক্কিমগী সেনিয়র মেনেজর অরুনরাইগী কন্টেক নম্বর পীদুনা খোঙথাং অসিবু মায় পরাক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙবিয়ু হায়খি।

# গ্লোফ আইরিস ওপন য়েথোকখ্রে




দুব্লিন, মার্চ ৩১ (এজেন্সি)ঃ

দি দুবাই দ্যুটি ফ্রি আইরিস ওপন য়েথোকখিবা অসিনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা খ্বাইদগী অনৌবা স্পোর্টিং ইভেন্ট ওইখ্রে।

গ্লোফ মশান্নদা মার্চগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ক্বাটার মাষ্টরগী মতুংদা য়ুরোপিয়ান টুর অমত্তা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। চৎলিবা চহী অসিগী মে ২৮ তগী ৩১ ফাওবা মাউন্ট জুলিয়ান ষ্টেটদা নোথদন আইরিস মেন গ্রেমি মেকদ্যুয়েলদা হোষ্ট ওইদুনা আইরিস ওপন অসি পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারম্বনি।

য়ুরোপিয়না টুরগী চীফ এডজুকেটিব কৈদ পিলিনা হায়, আইরিস ওপন য়েথোকপগী ব্রারেপ অসি মরী লৈন্নবশিংগা কূম্না খৎন্নরবা মতুংদা মীয়াম্না তেক্তা কায়দনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈবা হায়বসিনা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা ব্রারেপ অসি লৌখিবনি।

ঐখোয়না অমত্তা ওইনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকপু শন্দোক্তনবা পুন্না লেপমিন্নবা মথৌ তায় অমদি ঐখোয়না ২০২০ য়ুরোপিয়ান টুরগী সেদ্যুলশিং কূপ্না অকুম খৎন্নরবা মতুংদা য়েথোকখিবা ইভেন্টশিং নৌনা মতম লেপ্নবা খৎন্নগনি হায়খি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com